নাগালেন্দ পুলিসনা নোর্থ-ইষ্টকী খ্বাইদগী চাওবা ক্বারন্টিন ফেসিলিটি লোঞ্চ তৌখ্রে

দিমাপুর, জুলাই ১২ (এজেন্সি): পুলিসনা মেনেজ তৌগদবা অৱাং-নোংপোক লমদমগী খ্বাইদগী চাওবা ক্বারন্টিন ফেসিলিটি নাগালেন্দ পুলিসনা দিমাপুরদা লীংখৎখ্রে।

ষ্টেট গর্ভর্নমেন্টনা কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবা হোৎনরিবা থবক মতিক মঙম হেনগৎহনবগীদমক্তা গনেস্পুরদা ফমুং ১০২৭কী সেন্টর অদু শেমগৎখিবনি হায়না নাগালেন্দগী দি জি পি জোন লোংকুমরনা ফোঙদোকখি।

ফেসিলিটি অদু শেমগৎ-শাগৎনবগী মোদেলিটিশিং পুথোক্লবা অমসুং মফম অদুগী ফিভম য়েংশিন্নবগীদমক্তা হৌখিবা মে ২০ দা পুলিস টিম অমা দিমাপুরগীধানসিরিপার সব-দিভিজনগী মনুং চল্লিবা গনেসনগর স্পেসল ইকনমিক জোনদা চৎখি। ক্বারন্টিন সেন্টর অদু থাখায় অমগী মনুংদা মপুং ফানা শেমগৎ-শাগৎখি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

পুলিসকী মতুং ইন্না অতৈ ষ্টেটশিংদগী হল্লকপা মীওইশিং সেন্টর অদুদা ক্বারন্টিনগীদমক থাজিনগনি। সিনিয়র পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, দি আই জি (ট্রেনিং) ওটেমসুনা লুচিংবা পুলিস ওফিসরশিংগী টিম অমনা একোমোদেসন, পৱার সপ্লাই, সেনিটেসন, ৱাটর সপ্লাই, ওফিস অমসুং কন্ট্রোল রুম, সিক্যুরিটি, লোজিষ্টিক্স, কেটরিং অমসুং ট্রান্সপোর্টেসনগী থবক য়েংশিনগনি। সেন্টর অদু শেমগৎ-শাগৎপা হৌখিবদা ওফিসরশিং য়াওনা পুলিস পর্সনেল ৬৪০না গ্রাওন্দদা লৈদুনা মতেং পাংখি।

বেঙ্গলুরুদগী থুংলরবা অহানবা বেচকী মীওই ৫০৯ ক্বারন্টিন সেন্টর অদুদা জুন ৫ থুংখি। মখোয়গী মনুংদা ৩৮৩না নুপানি, ১২৬ না নুপীশিংনি। মতুং তারকপদা পঞ্জাব, কর্নাতাকা, উত্তর প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গল, অসাম, কেরলা, টামিল নাদু অমসুং অন্ধ্র প্রদেশতগী লাকপা মীওইশিংসু সেন্টর অদুদা থুংখি। গনেসনগরগী সেন্টর অসি নাগালেন্দদা কম্ম্যুনিটি ওরেন্টেদ পুলিস সার্ভিস (কোপস) কী ইনিসিটিভ মখাদা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগীদমক্তা শেমগৎপা পুলিসনা মেনেজ তৌবা খ্বাইদগী চাওনা ক্বারন্টিন ফেসিলিটিনি।

কোভিদ-১৯না শিহনবা মীশিং ৪৩ শুরে

গুৱাহাতি, জুলাই ১২ (এজেন্সি) : অসামদা হন্দক কোভিদ-১৯না মী শিহনবগী চাং ৱাংখৎলকপা উরি। নোংমাইজিং নুমিত্তা ইনফেক্সন অসিনা মরম ওইদুনা মীওই অহুম অমসু শিখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা লায়না অসিনা শিহনবা মী মশিং ৪৩ শুরে। ইনৌ নৌনা মীওই অহুম শিখিবসিদা ষ্টেট অসিগী হিমন্তা বিস্বা সরমনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি লৈখিদ্রবা পেসেন্টশিং অদুদি গুৱাহাতিদগী মশাগী চহী ৪০ শুরবী নিলাক্ষি সিংহ, নগাওনদগী মশাগী চহী ৬৩ শুরবা অঞ্জুন কুমার অজিৎ সরিয়া অমসুং গুৱাহাতিদগী মশাগী চহী ৫৫ শুরবী সুভাৱাটি মৌরিয়ানি।

ষ্টেট অসিগী হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী ফিভম অসিদা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা টেষ্ট কিট ফেসিলিটিশিং হেনগৎহনখ্রে হায়রি।

নাগালেন্দগী পোজিটিভ কেস ৭৭০ হেল্লে

কোহিমা, জুলাই ১২ (এজেন্সি) : নোংমাইজিং নুমিত্তা নাগালেন্দদা ইনৌ নৌনা কোভিদ-১৯গী কেস অহেনবা ২৩ অমসু দিটেক্ট তৌখ্রে। পোজিটিভ ওইরবা মীওই ২৩দুগী মনুংদা ১৮ দি দিমাপুরদগীনি। মরিনা ফেক্তগীনি অমসুং পেসেন্ট অমনা কোহিমাদগীনি।

ইনৌ নৌবা দিটেক্সন অসিগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী এক্তিভ পেসেন্ট মশিং ৪৫৮ শুরে অমসুং লায়েংবদা ফরবা মীওশিংগী মশিংনা ৩১৩ য়ৌরে। মসিগী মমাংদা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেস ৫ কনফার্ম তৌখি। মীওই মঙামক ত্যুয়েন্সাংদগীনি।

খুঞ্জাশিং শামু লমশাশিংনা মীপাইহল্লে

গুৱাহাতি, জলাই ১২ (এজেন্সি): উদলগুরিগা তায়নবা ইন্দো-ভুটান বোর্দরগী চীংশিংদগী শামু লমশাশিংগী ষল্লুপ অমা লাক্তুনা ওরাঙ্গাজুলি, নোনোপরা, সেগুনবারি অমসুং ভোলাতার য়াওনা বোর্দর পরিংগী খুলশিংদা চঙলক্তুনা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনবগা লোয়ননা খুঞ্জাশিং মীপাইহল্লে হায়রি।

শামু লমশাশিংনা ওৎ-নৈরিবা ভিলেজশিং অদু উদলগুরি দিষ্ট্রিক্টকী নোনাই ফোরেষ্ট দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবশিংনি। খুলশিং অসিদা শামু লমশা অচৌবা কয়ানা অহিং খুদিংগী লাকপদগী খুঞ্জাশিং অহিং তুম্বা য়ানদ্রে। চহী খুদিংগী শামু ময়াম লাক্লগা ঐখোয়গী খুঙ্গংদা অকি-অখং পোকহল্লি হায়না উদলগুরিগী বেরেঙ্গাবারি খুঙ্গংদা লৈবা তানকেসোর দেগা কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোকখি।

তোঙান-তোঙানবা থৌদোক অনীদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা শামু লমশা অমনা নেৎপদা মীওই অনী শিখ্রবনি। ভিক্তিম অমদি নালাপুরগা নক্লবা মোরেঙ্গাজুলিদগী ময়ারানি দাস কৌবা চহী ৯০ শুরবী অহল অমনি হায়বসি খঙলে। অতোপ্পা ভিক্তিম অদুনা বোলাতারদগী গন্ধারু ওরাং কৌবা মশাগী চহী ৪০ শুরবা মীশক অমনি হায়বসি খঙলে হায়রি।

থৌদোকশিং অদু ইরাই নুমিৎকী অহিংদা থোকখিবনি। এজেন্সিদা ৱা ঙাঙলদুনা উদলগুরি দিষ্ট্রিক্টকী কঞ্জাভেসিনিষ্ট নবজিওতি বারুৱানা হায়খি মদুদি, খুঙ্গংগী মীওইশিংনা থেংনরিবসি অৱাবা অসি গভর্নমেন্টনা করিমত্তা থৌশাবিদবগী মওং অমা উবা ফংই।

ইলেক্ট্রিক ফেন্সিংনা শামু লমশাশিং লাকশিনবদা কান্নবা পীব্রা হায়না হংবদা বারুৱানা হায়খি মদুদি, খালিংদুৱার রিজার্ভ ফোরেষ্ট অমসুং বোর্নাদি ৱাইল লাইফ সেঙ্কচুরিগী মফম খরদা ইলেক্ট্রিক ফেন্সিং লৈ। তৌইগুম্বসুং মতম চানা শেম-শাবা য়াওদবদগী ফেন্সিং অদু মথৌ তৌদ্রে হায়বা য়াই।

মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা ফোরেষ্টকী ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, ঐখোয়গী মী ৱাৎপগী প্রোব্লেম লৈ। তৌইগুম্বসুং মফমশিং অদুবু পেট্রোলিং তৌবদি লেপতে। শামু লমশাশিং অদু তানবদা খুঞ্জাশিংনা ঐখোয়দা পাংলি। হন্দক্কী চহী অসিদদি অচৌবা ষল্লুপ অমা শামু ২০-৩০ থোক্লা খায়দোক্লগা তোঙান তোঙানবা মায়কৈশিংদা চত্তুনা খুল কয়াদা ওৎ-নৈবা চখ্রি। মখোয়বু তান্নবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইরি।

ষ্টেটকী পাউ

‘ফার্মরশিংদা লৈঙাক্লা মতেং পাংবিরগদি চাবা থকপদা মীপান তাংদবা ঙমগনি’

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা থবক্তা অচৌ-মচা খায়দনা মানা-মানা তৌরিবা শিনফমশিং অদুদা থম্মোয় শেংনা থবক তৌনরবদি মীপান তাংদনা হিংবা ঙম্বা লমদম অমা হায়বদু ওইবা ঙমগনি। চান-থক্লবগী পোৎথোক পুথোক্লিবা ফার্মরশিংদা লৈঙাক্লা মতেং পাংবিরগদি হেন্না পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপসু ঙমগনি হায়না তাংলবা অগোর উপান্থী অমদি লফুগী ফার্ম তৌরিবা লাইশ্রম রাজেননা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা নোংপোক ককচিংগী খেংমাদা চাউরাক্লা হেক্টর অহুমলোমগী পাকচাউবা মফমদা হৌখিবা চহী খরদগী লফু পান্থী ১৫০০মুক থাদুনা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপদা খক নত্তনা থবক শুফম নোমফম লৈত্রবি নুপী খরদং ওইরবসু থবক পীবা ঙম্বা অসিদা অপেনবা অমা ফাওই। লোয়ননা তাংলবা উ মখল অগোর পান্থীসু চাউরাক্লা ৪০০ থাখ্রে। অগোর পান্থী অসি চহী ১০ রোমগী মতুংদদি মপুং মরৈ ফারক্লবা মতমদা অগোর উপান্থী অমদা য়ামদ্রবদা লুপা লাক্ষ অনীদগীনা লাক্ষ অহুম ফাওবা শিৎকনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোরকখি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা চহীগী লৌরোক পান্থা লোয়রবা মতুংদা লৌফমশিং হাং-হাংদুনা লৈবা অমদি চাবা থকপদা লমদম অসিনা মীপান তাংদুনা লৈবগী ফীভম উবদা য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওখি। মতম খরদি করিগুম্বা অমত্তা তৌবা ঙমখিদে। অদুমকপু নুংঙাইতবা ফাওখিবা ৱাখল্লোল অদুদগী থৌনা অমা ফংলদুনা চীং ময়াদা লৈবা অহাংবা মফম অমা ঙাঙনরগা ফার্ম তৌবা হৌরকখিবনি। ঙসিদি ফার্ম অসিদগী শেন্থোক লন্থী লৈরক্তুনা য়াম্না লায়না যুম পুবা ঙম্লে। লোয়ননা ফার্ম অসিদগী থোরকপা পোৎথোকশিং মীয়ামদা পীবা অমদি থবক শুফম-নোমফম লৈত্রবা মীওই খরদং ওইরবসু থবক পীবা ঙম্লকপা অসিদা থম্মোয়দা পেঞ্জবা অমদি নুংঙাইবা ফাওই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোরকখি।

ফার্ম অসিদা শুপ্নগী লফু অমদি অগোর উপান্থী থাবা খক নত্তনা মতম-মতমগী ওইবা উমোরোক পান্থী, চুজাক, মুখি পান, কোবি অমদি তোঙান-তোঙানবা এঙ্খাং-নাপীশিং থারি। হৌজিক ফার্ম অসিদা উমোরোক চারা ২০০০মুক থাদুনা মপান শাৎপা হৌরে।

ফার্ম অসিদা শুপ্নগী এঙ্খাং-নাপী থাবা খক নত্তনা শা-ষণসু য়োকপা পাল্লি। অদুবু শেল লৈতবনা মতম চানা মরু-মরাং, হার অমদি শা-ষণ লৈবা ঙমদবগী অৱাবা অমদি খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা লমদম অসিদা লৈরিবা ফার্মরশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং অসিদা মতেং পাংবিরগদি লমদম অসিদা লৈরিবা ফার্মরশিংনা হৌজিক পুথোক্লরিবা পোৎথোকশিংদগী হেন্না মপুং ফানা পুথোকপা ঙমগনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা লমদম অসিগী ফার্মরশিংদা অখন্ননা মতেং পাংবা ওইনা শেনথং থাদহন্নিংই। মতম অদুখক্তদা লমদম অসি চাবা-থকপদা মীপান তাংদবা লমদম অমা হায়বদু ওইগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

পোল শিন্দোক্লবা হোৎনরকপদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস) : চহী কয়াগী মমাংদগী কুম্বী শগোলপাৎ কোরগী মনুংচন্না লৈবা মফমশিংগী ইলেক্ট্রিক্ট পোল উনা ওইবা মরমনা তুরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈবনা লমদম অসিগী মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা অকি-তুংজুংবা ফীভম অমদা লৈরকখিবনি। অদুবু কুম্বী অরবান দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমসুং কুম্বী লৌমি-শিন্মি অপুনবা লুপনা পাউর মিনিষ্টর, এম এস পি দি সী এলগী চেয়রমেন, মেনেজিং দিরেক্টর অমদি দি জি এম বিষ্ণুপুরদা ইলেক্ট্রিক পোলশিং অসি মতমগা চানবা য়োৎকী পোল শিন্দোকপীয়ু হায়জরুবগী মতুংইন্না এম এস পি দি সী এল কুম্বী সব-দিবিজন টিম থাবিরক্তুনা মতমগা চুনবা য়োৎকী পোষ্ট শিন্দোক্লবগী খোঙথাং অমা ওইনা হৌজিক লৈরিবা উঙী পোলশিংগী ফীভমগী রিপোর্ট কলেক্সন তৌবিরকপা কুম্বী অরবান দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমদি কুম্বী লৌমি-শিন্মি অপুনবা লুপ্না লৈঙাক্কী অচুম্বা খোঙথাংনি। হায়না লোয়ননা পায়খৎলকখিবা থবক অদুগীদমক হরাউ নুংঙাইবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী হান্নগী ফোর্মর ভাইস চেয়রপর্সন অমদি কুম্বী অরবান দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম বোবিচান্দ লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অনৌবা বোর্দ ওফ দিরেক্টরশিং খনখ্রে

থৌবাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): লায়ন্স ক্লব ওফ থৌবালগী চহীগী পাঙথোকপা মীফম অমদি লাক্কদবা চহী ২০২০-২১গী অনৌবা বোর্দ ওফ দিরেক্টরশিং খনবগী থৌরম ঙসি ক্ষেত্রি শঙলেন থৌবালগী হোলদা পাঙথোকখ্রে। লায়ন এম নবচন্দ্রবু প্রসিদেন্ট, লায়ন কে ঐচ সোনারজিৎপু সেক্রেটরি ওইনা খনখিবগা লোয়ননা পূন্না অনৌবা বোর্দ ওফ দিরেক্টর মেম্বর ৩৭ খনখ্রে।

থৌরম অদুদা লায়ন্স ক্লব দিষ্ট্রিক্ট ৩২২-দিগী ভাইস দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর ডা. দল্লিয়ু গোপিমোহোন, লায়ন্স ক্লব ওফ থৌবালগী প্রসিদেন্ট এল মার্জিৎকুমার, জোন ১৫গী জোন চেয়রপর্সন ও জুগেশোর অমদি লায়ন্স ক্লব ওফ থৌবালগী ফোর্মর প্রসিদেন্ট ডা. কে এস ঐচ মংলেমনা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা হান্নগী সেক্রেটরিনা হৌখিবা চহী ২০১০-২০গী এদমিনিষ্ট্রেটিভ অমদি সর্ভিস এক্টিভিটিশিংগী রিপোর্টশিং পাথোক্তুনা খঙহনখি অমদি অনৌবা বোর্দ ওফ দিরেক্টর মেম্বরশিংদা খূদোলশিং তমখি।

ঙসি নৌনা খল্লবা বোর্দ ওফ মেম্বরশিংনা থম্মোয় শেংনা অমগা-অমগা খূৎশম্ননা চৎতুনা মীওইবা খুন্নাইগী মতেং পাংবা হায়বা লায়ন্স ক্লবকী পান্দম মায় পাকহনসি হায়না অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা দিষ্ট্রিক্ট ৩২২-দিগী ভাইস দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর ডা. দল্লিয়ু গোপিমোহোননা ফোঙদোকখি।

চেয়রপর্সন য়াওনা কাউন্সিল্লর ১৩ তরাম্না ওকখ্রে

থৌবাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলবু বি জে পিনা পানবা কাউন্সিল অমা ওইহনবদা চাউনা থৌদাং লৌরিবা, নৌনা বি জে পিদা চঙলকখ্রবা চেয়রপর্সন টি ঐচ শ্যামো য়াওনা পূন্না কাউন্সিল্লর ১৩বু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি বি জে পি ৩১-থৌবাল মন্দলনা শীন্দুনা থৌবাল এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা বি জে পি ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর লৈতাম্থেম বসন্তগী থৌবাল বজারদা লৈবা য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এল বসন্ত, বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট ৱাই কুমারজিৎ অমদি মন্দল প্রসিদেন্ট কে ঐচ মংলেম শরুক য়াদুনা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়রপর্সন অমদি কাউন্সিল্লরশিংবু পার্টিগী লেংয়ান ফি হুক্তুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

অল্টো কারনা থোম্বদা নুপী ১ শিরে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ফৌদেল মনাক্কী লিতান লৈরক মনাক্তা ঙরাং নুংথিল পুং ৫.১০ রোম তাবদা সাইকল তোংদুনা লাকপী নুপী অমা অল্টো কার (দল্লিয়ু বি ১২ বি/৬৫২৩) না থোম্বদগী লায়কন্ননবা মনাক নকপদা লৈবা হোস্পিটালদা পুখৎলকপদা লন্বীদা লৈখিদ্রে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মমিং তেন্সুবম মেম্মা (৫৫), মপুরোইবা পি বাবু কৌই। মহাক ফৌদেল কাইরেম্বীদা লৈবনি হায়রি। থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু ঙসি পোরোম্পাৎকী জেনিমস মোর্গতা পুরক্লগা পোষ্ট মোর্টেম তৌরগা ইমুং-মনুংদা খুৎশিন্নখ্রে। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা গাড়ী অদুসু পুলিসনা ফাগৎপগা লোয়ননা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

খোং তেংদুনা ঈশিং পীবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): খাঙবোক এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা শঙ্গাইয়ুম্ফম নুংফৌ দামদগী কৈফা লৌকোল লময়াইগা তাইনবা ফাওবা ফুট ৭ পাকপা অমদি কিলোমিটর ৫ রোম শাংবা শাবল খোং অসি ভারতিয়া জনতা পার্টি, মণিপুর প্রদেশকী কাউন্সিল্লর ওইরিবা ডা. অকোইস্না অমদি মহাক্কা লোয়নবশিংনা এক্সকাভেটর অনী শীজিন্নদুনা খোং অসি মপূং ফানা শেংদোকখ্রে।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বর ডা. অকোইস্নানা থোকপা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, শঙ্গাইয়ুম্ফমদগীনা খাঙবোক ফাওবদা লৈরিবা ক্ষেত্রি, মনিং ফুমথা মৌলাবী, হাওখোঙ, কৈফা অমদি শগোলকোলনচিংবা অপূনবা লৌকোল লিশীং মঙারোমতা ঈশিং পীদুনা লৌ পালহনখ্রে।

গাড়ী ৫৭তা টিন্টেদ গ্লাস নপ্লম্বা লৌথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা চথরকপা দ্রাইভতা ঙসি চাকা ৪ পানবা গাড়ী ৫৭ লোমদা গ্লাসতা অমুবা ফিল্ম নপ্লম্বশিং লৌথোকখ্রে।

পুলিস টিম অসিনা ত্রাফিক রুল থুগাইদুনা চৎলম্বা অমদি মাস্ক উপ্তুনা গাড়ী থৌরম্বশিংসু ফাগৎখি। পূন্না লুপা ২১,৭৫০ ফাইন থিহনখি হায়রি।

অমরোমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনসু তোঙান-তোঙানবা মফমদা দ্রাইভ চথবদা ফোর হ্বিলর গাড়ী ৪৩১ রোমদা টিন্টেদ গ্লাস নপ্লম্বশিং লৌথোকখি। পুলিসনা চথরিবা দ্রাইভ অসি মখা তানসু চথখিগনি হায়রি।

ক্বারন্টিন সেন্টরদা এৱ্যেরনেস পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা ক্বারন্টিন সেন্টরদা পরিং নাইনা চথরকপা সোসিওসাইকোলোজিকেল সপোর্ট অমদি ষ্ট্রেস মেনেজমেন্টকী শরুক অমা ওইনা ঙসি মেগা মণিপুর স্কুলদা হাংবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা মীওইশিংদা অনৌবা ৱাখল অমদি থৌনা পীননবা এৱ্যেরনেস পীখ্রে হায়রি।

থৌরম অদুদা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী চেয়রমেন নরেন্দ্র নিংঙোম্বনা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসিগী মতুংদসু অৱাবা অমা ওইনা থেংনরকপা য়ারিবসি পূক্লিং, ৱাখলগা মরী লৈনবা লায়না শোয়দনা ওইগনি। মরম অদুনা ঐখোয়নসু মসিদগী য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তারি হায়না ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা ইন্দিয়র রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি এন অমুলকুমারসু ৱা ঙাংখি। লোয়ননা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদু লোইশিল্লকপদা ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরিবা মীওইশিং অদুগা লোয়ননা যোগা শান্নমিন্নদুনা পূক্লিং, ৱাখল অমদি পাঙ্গল কন্না লৈননবা হোৎনখি।

অকসুগী মপোক নুমীৎ পাঙথোক্তুনা পূক্লিং থৌগৎখ্রে

ককচীং, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): ওল ককচীং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অকসু) ককচীংগী ২৮শুবা মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা হৌজিক-হৌজিক মালেমগী মফম কয়াদা পাক শন্না শন্দোক্লিবা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা লান্থেংনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা, কথোকপগা লোয়ননা হোৎনরিবা ভলন্টিয়রশিংদা শকখঙচে অমসুং অচম্বা খূদোলপোৎ পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎতুনা পূক্লিং থৌগৎখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা অকসুগী প্রসিদেন্ট অমর জোন্সননা ফোঙদোরকপদা অকসুগী মপোক নুমীৎ থৌরমদা অচৌবা মতেং পাংবীরকখিবা ক্ষেত্রিময়ুম দেবেন, গ্রুপ কেপ্টেন (থবক্তগী পোথারবা) ককচীং খুলেন পাজি লৈকাইবু অকসুগী মায়কৈদগী থাগৎপসু ফোঙদোকখি।

হৌজিক-হৌজিক মালেম পুম্বদা অৱাবা চৈথেং চাউনা পীরিবা কোভিদ-১৯গী লান্থেংনবদা চীং-তম ঙমজবা পোৎ-চৈ পীনবদা মতেং পাংবীরকখিবশিং, লৈতলায়রা কয়াদা মতেং পাংনখিবদা মতেং পাংবীরকখিবশিং, লাইচৎ অসি লান্থেংনরিঙৈদা ইনভাইরনমেন্টকী ফীভম ঙাক শেন্দবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোনদা পাঙথোকখিবা ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং, বন মহোটসবকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মহৈরোয়শিংগী উ থাবগী চাংদম্নবদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয় খূদিংমকপু অকসুগী মায়কৈগী থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মখা তানা ককচীং লমদমবু তংদু লৈতানা লৈবা, চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা পাঙথোকপা থবক থৌরমশিংদা লমদম অসিগী মীয়াম্নসু ঙমজবা পাঙ্গলগী, লৌশিংগী অমদি পূক্লিং থৌগৎপীয়ু হায়না অকসুগী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি।

টিন্টৈদ গ্লাসশিং লৌথোকখ্রে

ককচীং, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সুপরিন্টেন্দন্ট ওফ পুলিস ভিক্টোরিয়া য়েংখোমগী মীৎয়েং মখাদা ট্রাফিক রুল থুগায়বশিং ফাগৎতুনা ফাইন থীহনবা, গাড়ীগী গ্লাস হাপ্লগা অমুবা ফিল্মস লৌথোকপগী খোঙথাং মখা চথরি। ঙসিসু এদিসনেল এস পি (ট্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস), ককচীং দেবেন (এম পি এস)না লুচিংবা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট ট্রাফিক পুলিসকী কাঙবু অমনা ঙসি গাড়ী ৫৯ ট্রাফিককী চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবশিং ফাগৎতুনা ফাইন ওইনা লুপা ৮,১০০ থীহনখ্রে। গাড়ী ৮ অমনা টিন্টৈদ গ্লাস (ব্লেক থিন ফিল্মস) লৌথোকহনখ্রে হায়রি।

লৌমীশিংদা অতাবা মমলদা হার য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী লাইচৎকী মতম অসিদা লৈঙাক্লা লৌমীশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙগদবনি হায়বগী পান্দমদা ঙসি কৈরাও এ সীগী এম এল এ, এল রামেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা কৈরাও কেন্দ্র বি জে পি মন্দলগী প্রসিদেন্ট হাওবম কান্তা অমদি এম এল এগী এদভাইজর খুরাইজম লুখোইনা অরাপতি উরুপ ফার্মর এসোসিএসন্দা হার পীরক্তুনা অরাপতি অৱাং লৈকায়দা লৈবা সোইবম মনিতোনগী য়ুমদা বি জে পি মন্দল কৈরাওগী প্রসিদেন্ট হাওবম কান্তনা উরুপ অরাপতিগী লৌমীশিংদা অতাবা মমলদা য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মন্দলগী প্রসিদেন্ট হাওবম কান্তনা ফোঙদোকখিবদা, লৌমীশিংনা পোত্থোক মরাং কায়না পুথোক্লবা অরাপতি উরুপকী লৌমীশিংদা নত্তনা কৈরাও এ সীগী লৌমীশিংদা হার মরাং কায়না পীনবা হোৎনগনি হায়খি। ঙসিগী হার য়েন্থোকপগী থৌরম অসিদা অরাপতি ফার্মর এসোসিএনসগী কোন্থৌজম ইবোতোম্বী অমদি লৌমীশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

কম্ম্যুনিটি এৱ্যেরর্নেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): হৌজিক কোভিদ-১৯গী থেংনরিবা চৈথেং অসি খরদং ওইরবসু কোক্লনবা কম্ম্যুনিটি এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম ফোর ষ্ট্রেস মেনেজমেন্ট ৱিথ সাইকোসোসল সপোর্টকী মতাংদা থৌরম অমা ঙসি থৌবালদা পাঙথোকখ্রে হায়না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ ওফ ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটিগী সেক্রেটরি জগৎ মোইরাংথেমনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, থৌরম অদু ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা শীনবনি। তৌবুলদা লৈবা টি ৱাই দি এ ক্লব অমসুং লিগেল এইদ ক্লিনিক্কী মীওইশিংসু শরুক য়াখি। মীওই ৫০ রোম তীনখিবা থৌরম অদুদা আই আর সী এস অমদি বি দি বিগী চেয়রমেন ডা. দল্লিয়ু গুলাপি অমসুং এস ঈ আর ভি (সোসল ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স ভলন্টরি)গী নেসনল লেভেল ট্রেনর ডা. বঙ্কিমচন্দ্র থোকচোমনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি। লোয়ননা মীফম অদুদা শরুক য়ারিবশিংদা ফেস মাস্কনচিংবসু য়েন্থোকখি হায়রি।

ꯍꯥꯏꯖꯕ/গভর্ণমেন্টতা হায়জবা

ঙরাং তাং ১২/০৭/২০২০ ইং, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা Dr. Lourembam Kameshwor Singh না সভাপতি ওইদুনা ৱাংখৈ লৌরেম্বম লৈকায় শেমগৎ-শাগৎপা লূপ, ইম্ফাল ইষ্টকী অথুবা মীটিং অমা Shri Lourembam Kulabanta Singh গী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে। মীটিংনা কূপ্না খন্নরবা মতুংদা মখাগী অসুম্না ৱারেপ্নরে। মদুদি চহী ১৫ রোমগী মমাঙদগী লম্বী অসি শেম্বীদবদগী খুদোংচাদবা কয়া থোক্লবা মতুংদা লৈকায়গী মীয়াম্না ইকায়খুম্নজরবা HVS Construction Pvt. Ltd গী Managing Director, Shri Huidrom Vikramjit Singh দা হায়জদুনা লম্বী অসি ৯০% (চান্মদা মরিফুতরা) রোম শেম্বা লোইশিল্লক্লবা মতমদা EE/IE/Misc/2019-20/65 dated 27th June, 2020 Order অমনা লম্বী অসি শেমজিনবা থিংখ্রে।

মরম অসিনা লোইশিন্দনা লৈরিবা অৱাৎপা শরুক খরা অসি লৈকায়গী মীয়াম্না শেমগৎচদুনা অফবা, চৎপা য়াবা লম্বেল অমা ওইনবা হোৎনবদা অপনবা-অথিংবা পীবিদনবা গভর্ণমেন্টতা হায়জরি। মসিগী মরী লৈনবা ৱাফমসু অথিংবা পীবিদনবা মরী লৈনবা মীওইশিংদা হায়জখ্রে।

Sd/- G. Sanjeev Sharma
Secy. W.L.L.S.S. Lup

HL-P/7311/13

CROSSWORD-3500



ACROSS

1 Domesticated (4)
3 Lincolnshire seaside resort (8)
9 Brought back to life (7)
10 Last Greek letter (5)
11 Reside (5)
12 Playing a part (6)
14 Shrivel (6)
16 Grease used to make candles (6)
19 Lilting Irish accent (6)
21 Gem (5)
24 Back-hander (5)
25 Young goose (7)
26 Imperil (8)
27 Prepare for publication (4)

DOWN

1 Reject (4,4)
2 Film (5)
4 Abduct (6)
5 Phantom (5)
6 Everlasting (7)
7 Fraudulent scheme (4)
8 Gracefully slender (6)
13 Dusk (8)
15 Lingered (7)
17 Tweak (6)
18 Popular music of Jamaican origin (6)
20 Environment-friendly (5)
22 Eerie (5)
23 Woodwind instrument (4)

Solution 3499

D	E	C	O	R	U	M	■	A	W	F	U	L
I	■	H	■	E	■	A	■	I	■	A	■	O
S	T	E	A	L	■	R	I	S	O	T	T	O
T	■	E	■	E	■	T	■	L	■	I	■	K
U	N	R	E	A	D	Y	■	E	D	G	E	S
R	■	■	■	S	■	R	■	■	■	U	■	■
B	A	R	B	E	R	■	O	R	W	E	L	L
■	■	E	■	■	■	T	■	E	■	■	■	I
T	A	M	E	D	■	E	A	S	T	E	R	N
E	■	A	■	A	■	M	■	U	■	R	■	C
P	A	R	S	N	I	P	■	M	E	A	N	T
E	■	K	■	D	■	L	■	E	■	S	■	U
E	S	S	A	Y	■	E	N	D	L	E	S	S

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3299

		7					8	
		3	8			6	4	
				1	9		3	
5				9	7	8		
			1		6			
		9	2	4				1
	7		9	6				
	3	1			2	7		
	5					9		

Solution-3298

5	7	6	4	9	8	3	2	1
1	8	9	3	6	2	7	5	4
3	4	2	7	1	5	9	6	8
9	2	4	6	7	3	1	8	5
8	6	1	5	4	9	2	3	7
7	5	3	8	2	1	4	9	6
2	9	8	1	5	4	6	7	3
4	3	7	2	8	6	5	1	9
6	1	5	9	3	7	8	4	2

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers



অসিজোলনেং

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম


নুঙসি হেক্তা থুগায়রগেদো মসি।
শিংজংখোক্লা নুঙজাদু থাদুনা থুগাইনবা হোৎনরম্মী।
ঈস ! কাইদেনেহে, ওন্থোক্লা কনখরেদা সিদি